## ইন্ডিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন নাইন-২০১৬

# সনরাইজর্স হায়দরবাদনা কোলকতা নাইথ রাইডর্সপু রন ২২ দা থোইদুনা ক্বালিফায়র টু শান্নরগনি



এস আর এস কী বেটসমেন য়ুবরাজ সিংহনা বোল ৩০ দা রন ৪৪ লৌখিবা অদুদা সিক্স অমা কনবা

ন্যু দিল্লি, মে ২৫ ঃ

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন নাইনগী ঙসি ন্যু দিল্লিদা শান্নখিবা ইলিমিনেটর মেটচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা কোলকতা নাইথ রাইডর্সপু রন ২২ দা থোইদুনা লাক্লিবা তাং ২৭ তা গুজরাট লাইওন্সকা ক্বালিফায়র টু লম্বা তৌনরগনি।

সনরাইজর্সকী ইন্নিংস অদুদা ওপনর ওইনা থোরকখিবা দেবিদ ৱার্নর অমসুং সিখর ধৱন্না অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ১২ খক লৌবা ঙমখি। সিখর ধৱান বোল ১০ দা রন ১০ খক লৌরল্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থোরকখিবা মোইজেজ হেনরিকনা দেবিদ ৱার্নরগা পুন্না শান্নরকপদা ওভর ৯ গা বোল মরিদা অপুনবা স্কোর ৭১ য়ৌহনখি। মোইজেজ হেনরিক বোল ২১ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ৩১ লৌদুনা লৈরিঙৈদা কুলদিপনা আওট তাহনখি।

সনরাইজর্সকী ইন্নিংস অদুদা য়ুবরাজ সিংহনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা বোল ৩০ দা সিক্স ১ গা ফোর ৮ য়ৈদুনা রন ৪৪ লৌরমখি। অদুগা দিপক হুদাসু বোল ১৩ দা সিক্স ২ য়ৈদুনা রন ২১ লৌরমখিবা অদুনা শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী মায়কৈদগী কুলদিপ যাদবনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্নবা রন ১৬৩ লৌননা হোৎনরকপদা কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৪০ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রন ২২ দা মায় পাকখিবনি।

কে কে আর গী ইন্নিংস হৌরকপদা ওপনর রোবিন উথাপা রন ১১ দা আওট ওইবদগী রন লৌবগী খোঙজেল তপথখিবনি। নৌনা চঙলকপা কোলিন মুনরো অমসুং গম্ভিরনা মখা তানা রন ৩৮ হাপচিন্দুনা অপুনবা স্কোর ৫৩ শুরকপদা মুনরো রন ১৬ তা আওট ওইখি।

ইকুই কুইদনা কেপ্টেন গৌতম গম্ভির ১০ শুবা ওভর হৌরকপদা রন ২৮ লৌরল্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা মমাঙগী মেটচশিংদা ফজবা কয়া য়াওখ্রবা য়ুসুপ পথান ঙসিদি রন ২ খক লৌরল্লগা আওট ওইখি।

মনিস পান্দে অমসুং সুয্য কুমারনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা রন ৪৪ হাপচিনখ্রবসু মখোয় অনী রন ৩৬ অমসুং ২৩ দা আওট ওইখিবগী ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৮ তুরগা অপুনবা স্কোর ১৪০ দা লৈখিবগী মেটচ অদু সনরাইজর্সনা রন ২২ দা থোইখিবনি।

## IPL Playoff Fixture 2016

| Date | Match | Venue | Time |
|---|---|---|---|
| May 27 | Gujarat Lions vs SRH | Delhi | 2000 IST |
| May 29 | RCB vs Winner of Qualifier 2 | Bengaluru | 2000 IST |

# দিপিকা অমদি জোস্না হোং কোং ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



হোং কোং ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা দিপিকা চিনাপ্পা

হোং কোং, মে ২৫ ঃ

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা স্কৱাস প্লেয়র জোস্না চিনাপ্পা অমদি দিপিকা পাল্লিকাল মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দ মায়পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা অদুগা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১৩ শুবদা লৈরিবী জোস্নানা ইজিপসিয়ান ক্বালিফায়র সলমা হেনিবু মিনিট ৩৭ চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা পোইন্ট ১১-৮, ১১-৭, ৬-১১, ১১-৮ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অমদা ৱার্ল্ড রেঙ্কিং ১৯ শুবদা লৈরিবী দিপিকানা মালেসিয়াগী ক্বালিফায়র লো ৱি ৱর্নবু মিনিট ২৩ চঙনা শান্নখিবা মেটচ অমদা পোইন্ট ১১-১, ১১-৩, ১১-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি। মেটচ অদু পোখিবদগী লো হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ৫ লৈরম্বদগী ৱার্ল্ড নম্বর ৩৩ দা হাইথদুনা লৈখ্রে।

অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা জোস্নানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা ৭ শুবা সিদেদতা লৈরিবী ওস্ট্রেলিয়াগী রাচেল গ্রিনহামগা অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৬ শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী দিপিকানা অহানবা সিদেদতা লৈরিবী জোয়লি কিং অমদি জেয়ই চানগী অথোইবগা লম্বা তৌনগনি।

# পাকিস্তান মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়া এসিয়ান স্নুকর টিম চেম্পিয়ন্সিপ ফাইনেলদা ইরানগা থেংনরগনি



এসিয়ান স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানি অমসুং আদিত্য মেহতা

অবু ধাবি, মে ২৫ ঃ

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী কোনুং সহর আবু ধাভিদা চথরিবা এসিয়ান স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ্তগী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু মেটচ ৩-০ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

হন্দক্তা এসিয়ান সিক্স রেদ স্নুকর চেম্পিয়ন ওইখিবা ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানিনা লুচিংদুনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু ৩-০ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অহানবা মেটচতা মেহতানা পাকিস্টানবু মোহমদ অসিপপু ৭৩-১৬ দা থোইখি। মদুগী মতুং পঙ্কজ অদবানিনা পাকিস্টানগী অজাদ ইকবালবু ৮৩-২৫ তা থোইদুনা সেমি ফাইনেল অদু মেটচ ২-০ দা মাঙজিল থাখি। অদুগা অরোইবা মেটচতা পঙ্কজ অমসুং মেহতানা জুরা ওইদুনা পাকিস্টানগী অসিপ অমসুং অজাদবু ৯২-৮ তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌগদৌরিবা ইরান্না মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াবু ৩-০ দা থোইরম্বনি।

পনবা য়াবদি ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু য়ু এ ই বু মেটচ ৩-০ দা থোইবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুদা অদিত্য মেহতা অমসুং পঙ্কজ অদবানিগী মশান্না অদু অদুম্মক ফজখিবনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসিয়ান সিক্স রেদ স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ্তা অদবানিনা চেম্পিয়ন ওইরগা মহাক্কী জুরা অদিত্য মেহতানা বোঞ্জ ফংখিবনি।




## ফ্রেন্স ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস ফ্রেন্স ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে



ফ্রেন্স ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা দবলসকী অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রবা সনিয়া মির্জা অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিস

পেরিস, মে ২৫ ঃ

ফ্রান্সকী কোনুং সহর পেরিসতা পাঙথোক্লিবা ফ্রেন্স ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দকী মার্টিনা হিঙ্গিসনা রুসিয়াগী জুরা দারিয়া কাসাটকিনা অমসুং আলেকজেন্দ্রাবু সেট ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখিবনি।

অহানবা সেট অদুদা য়াম্না লম্বা মান্নরা শান্নরকখিবনা দবলসকী মেটচ অদু গেম ৫-৫ ফাওবা য়ৌনরকখি। গেম মখা চথরকপদা অমমম থোইনরক্কুনা ৬-৬ লৈনদুনা টাই ব্রেক্তা লম্বা য়েংনখি। মদুদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা জুরা সনিয়া অমসুং হিঙ্গিসনা পোইন্ট ৭-৪ দা থোইদুনা অহানবা সেট অদু মখোয়না থোইখি।

অনীশুবা সেটকী অহৌবা রুসিয়াগী জুরা দারিয়া কসাটকিনা অমসুং আলেকজেন্দ্রা পানোভাগী সার্ভিস গেম অদু সনিয়া অমসুং হিঙ্গিসনা ব্রেক তৌদুনা ফজবা হৌখি। ৬ শুবা গেমদসু ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জুরা অদুনা রুসিয়াগী জুরা অদুগী ব্রেক অমগসু তৌদুনা মাঙজিল থাবা অদুম্মক ঙমখি।

মখা তানা গেম অনী শান্নবা অদুদা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিসনা ৬-২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসনা অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্কুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবী শান্নরোইশিং অদুদি বৃটেনগী ঐচ ৱেটসনবু ৬-১, ৬-৩ দা থোইরম্বী রুসিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভা, চাইনিজ তাইপৈগী এস সৈবু ৬-১, ৬-৪ দা থোইরম্বী জেক রিপব্লিক্কী পেট্রা কিটোভা, কজাকস্থানগী জেদ দিয়াসপু ৭-৬ (৭-৫), ৬-২ দা থোইরম্বী বলগেরিয়াগী সাইমোনা হালেপ, টর্কিগী সি বুয়ুকাকেবু ৬-৩, ৪-৬, ৬-১ দা মায়থিবা পীরম্বী রুসিয়াগী এ পাল্লিয়ুচেংকোভা, রুসিয়াগী এলিনা ভেসনিনাবু ৬-৪, ৬-২ দা থোইরম্বী য়ু এস এ গী এস রোজর্স, সর্ভিয়াগী এম লুসিকু বারুনিবু ৬-৩, ৬-৩ দা থোইরম্বী জপানগী এম ওসাকা অমসুং ফ্রান্সকী এম জোর্সবু ৬-২, ৬-০ দা থোইরম্বী স্পেনগী মুগুরুজানি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা জপানগী কৈ নিসিকোরি অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা নিসিকোরিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুসিয়াগী এন্দ্রি কুজনেটসোপপু ৬-৩, ৬-৩, ৬-৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

ক্লে কোর্টতা নিসিকোরিগী মশান্না য়াম্না ফজবা ওইরি। মহাক্না চহী অসিগী বার্সেলোনা ওপনগী ফাইনেলদা রাফেল নদালগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি। মদুগী মতুং মাদ্রিদ অমসুং রোম ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা মায়থিবা পীরমখি।

চথরিবা ফ্রেন্স ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা কৈ নিসিকোরিনা স্পেনগী ফর্নান্দো বর্দাস্কোগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা নম্বর ৱান শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর টু এন্দি মুরে মায়পাক্কুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

জোকোভিসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টাইৱানগী লু য়েন সুনবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-১, ৬-১ দা মায়থিবা পীখি। সর্ভিয়াগী শান্নরোই অসিনা চহী ৫০ গী মতুংদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৪ মক লৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোই অদু ওইবা ঙম্লনবা মেটচ ৬ মায় পাক্কদবা খক্তা ঙাইরে।

নাকল অমরোমদা বৃটেনগী এন্দি মুরেনা অহানবা রাউন্দ মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী রাদেক ষ্টিপানেক্কা শান্নবা সেট ৫ চঙনা ৱানা থোইখি। অহানবা সেট অনী ষ্টিপানেক্কা ৬-৩, ৬-৩ দা থোইরবা মতুং মুরেনা ৬-০, ৬-৩, ৭-৫ তা থোইখি।

# মেরি কোমগী ওলিম্পিক্সকী আশা লোইখ্রে

অস্থানা, মে ২৫ ঃ

২০১২ গী ওলিম্পিক্সকী নুপীগী বোক্সিংদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবী এম সি মেরি কোমনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদবা রিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াননবা কজাকস্থানগী অষ্টানাদা চথরিবা ৱার্ল্ড ব্রুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াদুনা মায়থিহৌরবসু অতোপ্পা শান্নরোইশিংগী ফল য়েংলগা তাঞ্জা অমা লৈরম্বা অদুসু লোইশিনখ্রে।

নম্বর ৱান রেন কানকান অমসুং নম্বর থ্রি লিন য়ু টিংনা মেডল ফংবগী (সেমি ফাইনেল) রাউন্দ য়ৌরবদি মেরি কোম রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইরমগদবনি। অদুবু চাইনাগী বোক্সর রেন কানকান্না ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদু ফ্রান্সকী সারাদা ৱাল্ক ওভর পীথোকখিবা অমদি চাইনিজ টাইপৈগী বোক্সর লিন য়ু টিংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদু বৃটেনগী ২০১২ গী লন্দন ওলিম্পিক গেমসগী গোল্ড মেডালিষ্ট নিকোলা অদামসকী মখুত্তা মায়থিহৌবনি।

অসুম্না কানকান অমসুং লিন সেমি ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরক্তবদগী মেরি কোমগী আশা লোইশিনখিবনি।

# সুনিল ছেত্রিনা বেঙ্গালুরু মায় পাকহনখ্রে মোহন বগান অহানবা মেটচ মায়থিবা নংখ্রে



হোং কোংগী ক্লব কিটসিগী মায়োক্তা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা বেঙ্গালুরুগী সুনিল ছেত্রি

হোং কোং /গুৱাহাটি, মে ২৫ ঃ

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি হোং কোংদা লৈবা মোং কোক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইষ্ট জোনগী প্রি ক্বার্টর মেটচ অমদা বেঙ্গালুরু এফ সি না মফম অদুগী ক্লব কিটসিবু পাঞ্জল ৩-২ থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। পাঞ্জল অহুম অদুগী মনুংদা অনীদি টিম অদুগী শান্নরোই সুনিল ছেত্রিনা চনখিবনি। ঙরাং গুৱাহাটিদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা মোহন বগান্না সিঙ্গাপোরগী ক্লব টেম্পিন রোবর্সনা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা মোহন বগান ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

ঙসি মোং কোক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এ এফ সি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ইষ্ট জোন ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী বেঙ্গালুরু এফ সি গা হোং কোংগী কিটসিগা লম্বা তৌনবনি। মদুদা এটেক খরা হেন্না চথবা ঙমখিবা কিটসিনা শান্নগী ৭ শুবা মিনিটতা রুফিনোগী পাঞ্জলনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা বোল অমা কিটসিগী পেনাল্টি এরিয়াদা পুশিল্লকখি। নিয়ম লান্না থিংলুবগীদমক পেনাল্টি অমা সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা ইক্বেলাইজর ওইখি।

মিনিট অনীগী মতুংদা সুনিল ছেত্রিনা মখা তানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা কিটসিবু ২-১ দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ২ দমক ঙাইরবা মতমদা কিটসিগী তারেজনা পাঞ্জল অমা চনখি। হাল্ফ মতুংদা বেঙ্গালুরুগী লালিনপুৱানা ৫১ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু বেঙ্গালুরুনা থোইখিবনি।

গুৱাহাটিদা মোহন বগানবু সিঙ্গাপোরগী টাম্পিনস রোবর্সনা ২-১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*